**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন কোর্ট মণিপুর হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস কে. সোমাসেখরনা শঙ্গাখ্রে।

২) মণিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা খুৎ-শা হৈবা মীওইশিংগী মশিং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি।

৩) মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা মণিপুরগী মফম কয়াদা অখায় অরাউ য়াওনা নোং চুগনি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জম্মু অমসুং কাশ্মীর অমসুং পঞ্জাব য়াওনা লৈবাক অসিগী অতৈ মফম কয়াদা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং চত্তুনা য়েংশিনগনি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- জি.এস.টিদা অহোংবা কয়া পুরক্তুনা মিদল ক্লাসকী ইমুংশিংদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি।

------

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন কোর্ট মণিপুর হাই কোর্টকী চাফ জষ্টিস, জষ্টিস কে. সোমাসেখরনা শঙ্গাখ্রে। চান্দেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর হাই কোর্টকী জজশিং- জষ্টিস এ. গুনেশ্বর

শর্ম্মা, জষ্টিস এ. বিমোল অমসুং রাজ্য সরকারগী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি অনুরাগ ভাজপায় শরুক য়াখি।

চান্দেল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং চান্দেল জিলাগী বার এসোসিয়েসন অমসুং জিলা থাক্কী ওফিসারশিং য়াওনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ জষ্টিস সোমাসেখরনা হায়- ঙসি শঙ্গারিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন কোর্ট অসিনা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। মহাক া হায়- ৱায়েল লোইশঙশিংবু মীয়ামা অশেংবা লাইশঙ অমগুমা লু-নান্না থমবা হোৎনশি। ঙসি হাংদোক্লিবা ৱায়েল লোইশঙ অসিনা জিলা অসিগী মীয়ামা ৱায়েল বিচারগী লমদা থেংনরম্বা খুদোংচাদবা কয়া কোকহল্লগনি।

রাজ্য সরকারগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাখ ভাজপায়না হায়- ঙসি হাংদোক্লিবা কোর্ট অসিনা জিলা অসিগী মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙম্লগনি।

বিরেন (এল)ঃ মণিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা খুৎ-শা হৈবা মীওইশিংগী মশিং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। আর্টিসানশিংগী হৈথোই শিংথোইবা কয়ানা লমদম অসিগী নাৎ, চৎনবী কয়াবু মালেমগী মীয়ামদা মশক তাকপগা লোয়ননা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমলি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শ্রী বিরেন্না হন্দক্তা নেসনেল ললিত কলা একাদমি এৱার্দ ফংখ্রবা ককচিংদগী স্কল্পতর পুখ্রুম্বম প্রেমচন্দ্রগা উন্নদুনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। শ্রী বিরেন্না হায়- লমদম অসিগী খুৎ-শা হৈরবা আর্টিষ্ট কয়ানা ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা নাৎ অমদি চৎনবী কয়া মালেমগী মীয়ামদা মশক তাক্লি।

ডে (এল)ঃ সেনাপতি জিলাদা অহানবা ওইনা জিলাগী থাক্তা ওজাগী নুমিৎ থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। রিভাইতেলাইজিং কম্মিতমেন্ট হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সেনাপতি জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মামোনি দোলিনা হায়- ওজাগী নুমিৎ পাঙথোক্লিবা অসি শিনফম অসিবু ইকায় খুমবা খক নত্তে, চিং লেম্লবা শিনফম অসিদা থবক তৌরিবা ওজাশিংনা জিলা অসিবু অচুম্বা অফবা লম্বীদা পুরক

বগী অচৌবা খোঙজং অমনি। মহাকা হায়- ওজাশিংনা চহি নৌরিবা মহৈরোইশিংবু নিংথিনা তাকপী তম্বীদুনা তুংগী অচংবা মীওই অমমম ওইননবা হোৎনশি। ওজাশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসিদগী অহেনবা থৌদাং কয়া লোদুনা সরকারগী মহৈতম্ফমশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবসু হোৎনশি। জিলা অসিদা লৈরিবা সরকারগী মহৈতম্ফমশঙ খরদা চাউনা অওনবা অহোংবা কয়া উবা ফংলে। মসিমক জিলা অসিগী চাউথোকচনিঙাইনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা জিলা অদুগী অফবা খনগৎলবা ওজাশিংদা অচম্প খুদোল পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। জিলা অসিগী ওইনা ওইনাম হিল গভর্নমেন্ট হাইস্কুল অমসুং ফুবা হাইস্কুলদা খ্বাইদগী ফবা স্কুলগী মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমদি ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা খুলশিংদা ওজাগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। ঙসি ওজাগী নুমিৎ পাঙথোকখিবা মফমশিং অদুদি- লিটল পার্লস স্কুল চকপীকারোং, মিসন স্কুল দিংপুই- খাংবারোল য়াওনা চান্দেলগী সেলোন, আইবোল, জোপী, তুইতোং, ওল্ড সোমতাল, কোবাং অমসুং নিউ সোমতালনি।

পার্লস স্কুলদা এ ডে ৱিথ কম্পনি কম্মান্দর হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ওজাশিংবু ইকায় খুমবা উৎলদুনা মহৈরোইশিংনা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ কয়া উৎখি। থৌরমশিং অদুদা ওজানা খুন্নাই অসিদা লৌরিবা থৌদাংবু শিংথাখি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা মণিপুরগী মফম কয়াদা অখায় অরাউ য়াওনা নোং চুগনি।

তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী মফম খরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি হায়রি।

অমরোমদা, মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ ৭ নি অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা অখাক অরাউ য়াওনা ময়াই ওইরপ চাংদা নোং তাগনি। অসাম

অমসুং মেঘালয়দা থা অসিগী ৮, ১১ অমসুং ১২ দা অকনবা নোং তাগনি হায়রি। লৈবাক অসিগী অতৈ মফম কয়াদসু লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অকনবা নোং তাগনি ।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী ভানচেংফাই খুলদগী পুরকপা লৈকং থেঙ্গু (এসিয়ান জাইন্ট টোরতোইস) অনি ঙসি তমেংলোং জিলাগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসিয়েলশিংদা খুৎশিন্নখ্রে। তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি.এফ.ওদা খুৎশিন্নরকখিবা লৈকং থেঙ্গু অদু মখা তানা য়েংশিন্নবা মণিপুর জ্‌লোজিকেল পার্ককী দিরেক্তর লাইশ্রম বিরমঙ্গোলদা খুৎশিন্নরগনি। লোয়ননা মণিপুর জ্‌লোজিকেল পার্কনা ইন্দিয়া টরটল কঞ্জার্ভেসন প্রোগ্রামগা খুৎশমরগা আর্তিফিসিয়েল ইন্তিভেসন মখা তানা পাঙথোক্কনি। লৈকং থেঙ্গু অসি ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৭২ গী সেদ্যুল ৱানদা চনবা শা মখল অমনি।

ফিলম (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি (এম.এস.এফ.দি.এস)গী মীৎয়েং মখাদা এস.এন. চান্দ আর্কাইবস এন্দ ম্যুজিয়ম অমা ইম্ফালগী এম.এস.এফ.দি.এসতা হাংদোকখ্রে। মসিনা মণিপুরী সেলুলোইদ ফিলম য়াওনা দিজিতেল অমদি ভিদিও ফিলম কয়াবু তেক্ত কায়দনা থম্বদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

সোসাইতি অসিগী চেরোল অমনা হায়- মণিপুরগী সেলুলোইদ ফিলম কয়া মালেমগী মমিং লৈরবা ফিলম ফেষ্টিভেলগী ক্লাসিক সেক্সনদা পুথোক্কুনা লাক্লি। মসিদা মণিপুরদা লৈরিবা ফিলম মেকরশিংনা শেল তিংদনা মখোয় মখোয়গী ফিলমশিং তুং কোইনা মাংহন্দনা থমবসু আপীল তৌরি।

ককচিং (এল)ঃ লেমা মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি ককচিং জিলাগী নৌদাম বজার কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই ২৫০ রোম লায়েংখি।

এআর (এল)ঃ   কামজোং জিলাদা চীং নীংখায়দুনা লম্বী ফাওবা য়াদনা লাকখিবা সামপুই জঙ্কসনদগী নিংথি খুল তাবা লম্বী কামজোং অসাম রাইফলসনা শেমজিনখ্রে। অসাম রাইফলসনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা নিংথিগী খুঞ্জাশিংনা থেংনরম্বা খুদোংচাদবা কয়া কোকহনবদা চাউনা মতেং ওইরে।

অমরোমদা, পি.এম.জে.এস.ৱাইকী মখাদা শেমখিবা লম্বী অসি মপুং ফানা লোইশিনবীনবা নিংথি ভিলেজ ওথোরিতিনা আপীল তৌরি।

লাইরিক (এল)ঃ   কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কৈশামপাৎতা লৈবা দি.আর.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খ্বাইরাকপম সুনিতা দেবীনা নুরা শিংথারোল অমসুং ইরোলনুংদগী হায়না মীংথোনা লাইরিক অনি ফোংখ্রে।

পিএম ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জম্মু অমসুং কাশ্মীর অমসুং পঞ্জাব য়াওনা লৈবাক অসিগী অতৈ মফম কয়াদা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং চত্তুনা য়েংশিনগনি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা নোং লেপ্তুনা তাবদগী লেন্দস্লাইদ থোকখি অমদি ঈচাউ মায়োকহনখি।

মরক অসিদা হিমাচল প্রদেশতা নোং লেপ্তুনা তাবদগী লেন্দ থোক্তুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। শেম মরাং কায়না পুথোক্লিবা মফমশিং সিম্লা, কুলু অমসুং মন্দিদা লম্বী থিংখিবনা মরম ওইরগা শেম থারিবা লৌমীশিংদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

অমরোমদা, হৌজিক পঞ্জাবতা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম খরা ফগৎলে হায়রি

অশ্বিনি ঃ   কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রিনা জি.এস.টিদা অহোংবা কয়া পুরক্তুনা মিদল ক্লাসকী ইমুংশিংদা অহেনবা তেংবাংগা লোয়ননা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- জি.এস.টি রিফোর্ম অসিনা লৈবাক অসিগী জি.দি.পিদা অহেনবা শেনফম লুপা কোতি লাখ

২০ হাপচিনদুনা ভারতকী শেল থুমগী লমদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মহাকা মখা তানা হায়- ২০১৪ গী মমাংদদি লৈবাক অসিগী মীয়াম টেক্স থিবদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহন্দুনা মিদল ক্লাসকী ইমুংশিংদা চাউনা অৱাবা পীরমখি। মহাকা হায়- অনৌবা রিফোর্ম অসিনা মসিবু হেন্না লাইথোকহল্লে।

জিতেন্দ্র ঃ  সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা লৈবাক অসিগী নহাশিংবু শক্তি পীনবগী পান্দমদা কেম্পস টেঙ্ক অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা হৌদোকখ্রে। মসিনা লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা মখোয় মখোয়গী অপান্বা লম্বীদা চংদুনা ষ্টার্টঅপ কয়া পায়খৎপা ঙমহল্লগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- থৌরাং অসিগী মখাদা মিল্লিয়ন দোল্লর ৬ থাদদুনা নহা ওইরিবা ইনোভেতরশিংদা মখোয়গী ষ্টার্টঅপগী ৱাখল্লোনশিং পুথোকহনবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়- মসিনা নহা কয়া ওন্তরপ্রেন্যুর ওইহনবা ঙমহল্লগনি। লম অসিদা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লৈবাক অসিবু বিক্সিত ভারত ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

মেরিটাইমঃ পোর্ট, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রি-সরবানন্দা সোনোৱালনা হায়রি- সরকার অসিনা ঈশিংগী লমদা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা চাউনা অহোংবা পুরকবা লুপা কোতি লাখ ৮০ কায়থোক্কুনা থাদরগনি। হিথাংফমশিং, ঈশিংগী লম্বী অমদি জহাসশিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা শেনফমশিং অসি শিজিন্নগনি। পাউমীশিংগা উন্নবদা মন্ত্রিনা হায়-সাগরমালা থৌরম অসিনা সমুদ্র খোঙবানদা লৈবা মীওইশিংগী পুন্সি মহিংদা চাউনা অহোংবা পুরক্কুনা হেন্না নুংঙাইবা পুন্সি অমা হিংবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়-ঈশিংগী লমদা চাউনা অহোংবা পুরক্কদবা অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপা থৌশিল অমনি।

দোনাল্ডঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অমসুং আমেরিকা লৈবাক অনি অফবা মরি থমরি অমদি তুংদসু অফবা মরী লৈগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ।

আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমগী পাউখুমদা শ্রী মোদিনা হায়-শ্রী ত্রম্পকী ৱাফম অসিবু মহাকা অৱাংবা থাক্তা থাংগৎলি অমদি নুংঙাইবা পোকই। লৈবাক অনিগী মরীদা হেন্না নুংশি চান্নবা হেনগৎলগনি।

আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়-ভারত অমসুং আমেরিকা লৈবাক অনিগী অখন্নবা মরী অদুম্মক লৈনৈ। মসি মীয়ামনা মসিগী মতাংদা নুংনাংনিংঙাই ওইদে। লৈবাক অনিনা মতম চুপ্পদা অফবা মরী থমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ভিজিট ঃ  মোরিসসকী প্রধান মন্ত্রি-নবিনচন্দ্র রামগুলাম থা অসিগী ৯ দা ভারত্তা লাক্কদৌরি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা-রনধির জসৱালনা হায়-খোঙচৎ অসি শ্রী রাম গুলামগী ওইনা ভারত্তা লাকপা অহানবনি। মহাকা হায়-খোঙচৎ অসিদা শ্রী রাম গুলামনা মুম্বাই-বরানাসি, অয্যোধিয়া অমসুং তিরুপতিদসু চৎকনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ মংশাতাবম প্রেমানন্দদগী

ফুটবোল ঃ দব্লিউ.পি.এফ.সিনা তমেংলোং ফুটবোল লিগকী অহানবা সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা দব্লিউ.পি.এফ.সি অমদি নমজ্ৱান এফ.সি শান্নবগী অপিবা মতমগী মনুংদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মদুগী মতুং এক্সত্রা টাইমদা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইবদগী পেনালতি কাউনখি। মদুদা দব্লিউ.পি.এফ.সিনা চেনদাই নমজ্ৱান এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি। তমেংলোং ফুটবোল লিগ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা তমেংলোং কেন্দ্রগী এম.এল.এ অমসুং হান্নগী মন্ত্রি সমুয়েল জেনদাইসু শরুক য়াখি।

ফুটবোল ঃ দি.সি. চান্দেল ত্রোফি সুপর দিভিজন লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা চান্দেল খুল্লেন ৱাহ.সিনা চুম্বাং এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। চান্দে

দল খুল্লেলগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫৮ শুবা মিনিত্তা কাগালিনা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা জাইওনথলাং ৱাই.এস.ৱাই.সিনা লাম্বুং ৱাই.সি.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। জাইওনথলাংগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু শান্নবগা ৮৯ শুবা মিনিত্তা ফ্রাঙ্কলিন্না চনখি।

হিক্ল (এল)ঃ গ্বালিয়ারদা পাঙথোকখিবা ৯ শুবা নেসনেল হিক্ল চিয়ার বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরগী নুপী শান্নরোইশিংনা অনিশুবা তারক্লে।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মহারাস্ত্রনা মনিপুরবু মায়থিবা পীরমদুনা মনিপুর রন্নরস অপ তাহৌখি। শান্নরোই ঙসি ইম্ফালদা থুংলবদা মীয়ামনা হরাও তয়ামা ওকখ্রে।

------